# লৌউ-শিংউবগী পোত্থোক হেনগৎহনগে হায়রবদি ঈথৈ-লৌখোং পীবিবা মথৌ তাই: রামেশ্বর

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): মণিপুরগী মনুংদা ককচিং মফম অসি ফৌ অমদি অতৈ মনা-মশিংগী চাথোক মরাং কায়না পুথোক্লিবা লমদম অমনি, গ্রীনরি ওফ মণিপুরনি, রাইস বোল ওফ মণিপুরনি হায়না মণিপুর এসেমব্লিদা মহাক মশানা থমখিবা ৰাফম অদু অচুম্বনি হায়বা অসি ঙসি ককচিংগী লৌকোলশিংদা ফৌ লোকপা লোইরগা থারিবা হঙ্গাম, আলু, তিলহৌ, চনানচিংবা কয়া অসিনা তাক্লি।

ঙসি ককচিংগী লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং অসিদা হেন্না হেনগৎহনসি হায়রবদি লৌমীশিংগী লৌফমশিংদা ঈথৈ-লৌখোং নীংথিনা শেম্বীদুনা ঈশিং মরাং কায়না পীবা মথৌ তারি হায়না ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোরক্লি।



ককচিংগী মনা-মশিং থারিবা লৌফমশিং অমসুং ককচিং ৰাইরি অৰাং লৌকোলদা লৌমীশিংনা শেল্লিবা ককচিং ৰাইরি চেক্কৈপুং লম্বী শেম্বগী থবক য়েংশিনবগী খোঙচত্তা এম এল এ রামেশ্বরনা মখা তারদুনা হায়, লৌমীশিং লৌউ-শিংউ তৌবদা হেন্না খুদোংচানবা মফম চাবা য়েংদুনা লম্বী নীংথিনা শেম্বীবা মথৌ তাই। ককচিংগী মীয়াম্না পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং অসি পুথোকপদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী নীংথিনা মতেং পাংবীরগদি মণিপুরগী মীয়ামদা ককচিংগী লৌফমশিংনা পুথোরক্লিবা পোত্থোকশিং অসি পীজবা ঙমগনি খল্লি। মহাক্কী মায়কৈদগীসু অঙন্বা থাক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙদা তকশিন্দুনা শেমগৎ শাগৎনবসু হোৎনরগনি ফোঙদোকখি।

এম এল এ রামেশ্বরনা মখা তারদুনা, ককচিংগী লৌ উরিবা মীয়াম্ন সু লৌ উনরিবা মফমশিং অসি লৌ ওইনা অদুম থম্নবা হোৎনসি। ককচিং ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলনা তুং কোইবা থৌরম থৌশীল অমা শেল্লগা মীশিং হেনগৎলক্লিবগী চাংগা চানগদবা মওংদা মী তাননবা লমখৈ অমা শেমদোক্লগা থমদুনা য়ুম শানবগীখক্তা ওইনা থম্নবা, ইন্দস্ট্রিগী কৈথেলগী অমদি ওফিস শানবগী মফমশিংসু খঙদোক্তুনা থম্লগা লৌ উনরিবা মফমশিং অসি কন্দুনা থম্নবা হোৎনবসু মথৌ তারে হায়না ফোঙদোকখি।

# 'অরানবা মওংদা বিনিফিসিয়ারি লিষ্ট শেম্লে'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): মপিথেল দামনা শোকহল্লবা চদোং ভিলেজগী খুঞ্জাশিংদা ইকোনোমিক লাইফলিহুদ পেকেজ পীনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মশাগী কান্নবা য়েংবা মীওই খরগা মান্নদুনা অরানবা লিষ্ট শেম্বগী থৌওং চত্থরে হায়না চদোং খুলগী খুঞ্জাশিংনা মরাল শীরক্লি।

থৌওং অসি অথুবা মতমদা লেপ্তুনা দি সী নৎত্রগা এস দি ও য়াওনা নৌনা সর্ভে তৌদুনা ইকোনোমি লাইফলিহুদ পেকেজ পীনবা খুঞ্জাশিংনা আপীল তৌরক্লি। থেংনরিবা অৰাবা অসিগী মতাংদা হৌজিক চত্থরিবা এসেমব্লিগী বডজেট মীফমদা খন্নদুনা পোলিসি অমগী মখাদা খুন্দা লৈতানবা হোৎনবীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা ফুংয়ার এ সীগী মনুং চনবা চদোং খুলদা পাউমীশিংগা উনবদা চদোং ভিলেজ ওথোরিটিগী মীহুৎসু ওইরিবা লোক সভাগী এম পিগী কেন্দিদেট ওইখিবা অসাং কাসরনা মপিথেল দামনা শোকহল্লবা খুঞ্জাশিংদা কান্নবা কয়া পীগনি হায়না থাজবা পীদুনা কুমজা ১৯৯৮ দা এগ্রীমেন্ট তৌনখি। মসিদা নত্তনা কুমজা ২০১১দা মতমদুগী দি সী অমদি এস দি ওনা সর্ভে তৌদুনা বিনিফিসিয়ারি ৪৫৫ আর আর পেকেজ পীগনি হায়না ষ্টেট কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা মরী লৈনবশিংনা বিনিফিসিয়ারিশিংদা পীফম থোকপা পেকেজশিং হৌজিক ফাওবা মপূং ফানা পীদনা লৈরি।

এগ্রীমেন্ট তোয়না তৌরগা থবক্তা ওন্থোক্তবা অসি য়ানীংদে। মরক অসিদা হেন্না ফিভম শোক্লবা চদোং খুলগী ওথোরিটি অমদি হেদমেনগী অয়াবা য়াওদনা ৰাটর রিসোর্সেছ দিপার্টমেন্টনা মশাগী কান্নবা য়েংবা মীওই খরগা মান্নদুনা ইকোনোমিক লাইফলিহুদ পেকেজ পীনবা লিষ্ট শেম্লে। হায়রিবা লিষ্ট অদুদা তশেংনা অৰাবা তারবা বিনিফিসিয়ারি ২২৩সু য়াওরমদ্রে। মরম অদুনা লিষ্ট শেম্বগী থবক অমুক হনগদবনি হায়খি।

অসাং কাসরনা মখা তারদুনা, ইকোনোমিক পেকেজ পীগনি হায়রবদি অৰাবা তারিবশিং কনা কনানো হায়বা খঙদোক্তুনা নীংথিনা সর্ভে তৌদুনা পীগদবনি। খুঞ্জা খরনা ফংবা, খরনা ফংহন্দবা হায়বসি খুঞ্জাশিংগী মরক্তা খৎন-চৈনবা থোকহন্নবগী মচাক ওইহল্লক্কনি। মরম অদুনা ইকোনোমিক পেকেজ পীবদা হিল হাওস টেক্স ২০১৭-১৯গী মতুং ইন্না চদোং খুলগী হাওসহোল্ড ৬৪৬ পীগদবনি। করিগুম্বা চদোং খুলগী খুঞ্জাশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ পীদ্রবদি তুংদা থোরকপা অফ-ফত্তগী ফল মরী লৈনবশিংনা পুগদবনি হায়খি।

# লৌমী য়াইফনবগী মতাংদা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): ঙরাং কৈনৌ থোংখা, সি পি আইগী চহীগী ব্রাঞ্চ কনফরেন্স অমা কমরেদ অরুনকুমারগী শঙলেন্দা কমরেদ খাঙেম্বম চাউবা মীতৈনা ময়ায় তাংবলদা ফমদুনা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা ওইনাম লোকল সি পি আইগী কমরেদ জিতেন শর্ম্মা, নম্বোল লোকলগী সেক্রেটরি মোংজম রমান্দ অমদি ষ্টেট এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম: জয়কুমার লুৰাংনচিংবসু শরুক য়াখি হায়না মণিপুর ষ্টেট কাওন্সিল কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়ানা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিদা, চহীগী ফল্লিবা মীফম অসিনা খুঙ্গং, এসেমব্লি কেন্দ্র চাওখৎ থৌরাং অমদি লৈবাক্কী পোলিটিকেলগী ওইবা ৰাফম কয়ামরুম খন্ন-নৈনখি। মরু ওইনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না চঙশিল্লক্লিবা এন্টি-পোর ওইবা ইকোনোমিক পোলিসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। লোয়ননা কমরেদ জয়কুমারনা পার্টি ষ্টেটনা চঙশিল্লিবা মীয়াম হৌরো হায়বা খোঙজংগী মতাংদা কূপ্না নৈনখি। মীয়াম্না করিসু খঙশিন্নদনা তূমীন্না লৈবনদি লায়রবনা লায়রনা অদুম লৈবা তাবনি অমসুং শেঞ্জাও পায়বা কোর্পোরেটরশিংনা মীয়ামগী শেলগী চুপ্লি খূদিং অদুমক পায়দুনা লায়রবগী পুন্সিবু শুমদুনা অদুমক চাদুনা লৈরগনি হায়খি।

মরম অদুনা দেল্লীদা ভারতকী লৌমী কয়ানা থেংনরিবা ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা চত্থরিবা খোঙজংগুম মণিপুরদসু চঙশিল্লিসি হায়না মখা তাখি। লৌমী য়াইফনবা লৈঙাক্না চপ চাবা থৌদাং লৌগদবনি হায়না লৈঙাক্তা তকশিনখি।

কৈনৌ ব্রাঞ্চ সি পি আইনসু খুল অসিদা পার্টিগী অহল লমন লৈখিদ্রবা কয়ানা লৈবাক্কী দবীগীদমক থেংনরম্বগুম থেংনখিগনি হায়না ৰারেপ লৌখি। লোয়ননা কৈনৌ ব্রাঞ্চ সি পি আইগী ব্রাঞ্চ কম্মিটি অমা শেমদুনা কমরেদ রাজেন্দ্রবু সেক্রেটরি ওইনা খনখি হায়রি।

ঙসি ঙসিমক মণিপুরদা পাউচেশিং ফোঙদবা অমসুং প্রাইভেট ইলেক্ট্রোনিক মদিয়া শন্দোক্তবা অসিনা মীয়ামদা লৈবাকসিদা করি থোক্লিবগে হায়বা অমত্তা খঙদ্রে। মরমদুনা লৈঙাক্না অথুবদা খুজিল থৌরাং তৌদুনা পাউ ফোঙবা হৌনবা দাবী তৌরক্লি।

# ৰাঙু সাবলদা নোংমগী ওইবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): ইলেক্সন মেনেজমেন্ট কম্মিটি বি জে পি ২৯-কুম্বী মণ্ডলনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা ফার্মরস এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা কুম্বী কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা ৰাঙু সাবলদা পাঙথোকখ্রে।

লৌমীশিংগী ৰাখল-লৌশিং হেন্নবা অমদি পোত্থোক হেন্না পুথোকপদা নত্তনা ইনকমসু হেন্না লাক্লবা করি করি তৌবা য়াই হায়বা হীরম অসিগী মতাংদা পাঙথোকখিবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা কুম্বী কেন্দ্রগী এক্স-মিনিষ্টর এন মঙ্গি সিংহ; কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী চ্যেরপর্সন দল্লিয়ু প্রিয়োরঞ্জন; ৰাঙু তেরাখোং জি পিগী প্রধাণ পি বালেশ্বর; কিষাণ মোর্চা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে নিংথেমজাও; কিষাণ মোর্চা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট কে জেমস অমদি কম্মিটি অসিগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা কিষাণ মোর্চ বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে নিংথেমজাওনা হায়খিবদা, লৌমীনি হায়দুনা হৌজিক্তি লৌবূক্তা থবক পংশুদা শুবদুনা চাওখৎপা ৰাগনি, ইশাগী ইংখোল নৎত্রগা লৌবূক্তা থারিবা পোৎচৈশিং অদু মার্কেটতা মরম চানা য়োন্থোকপা ঙল্লবদি মদুদগী ইনকম লাক্কদবনি।

মরম অদুনা পোৎচৈ থাবগা লোয়ননা পোৎচৈশিং অদু মফম চানা য়োন্নবসু হান্না প্লান তৌবা অমা দরকার লৈ। মসিদা নত্তনা লৌমীশিংগী ওইবা কান্নবা কয়া অমা লৈঙাক্না মতম মতমগী পীরি। হায়রিবা কান্নবশিং অসিসু লৌবীয়ু, কিষাণ কার্দ অমা তঙায় ফদনা শাবীয়ু । হৌজিক্তি লৌমী ওইরবসু ইশাগী বেঙ্ক একাওন্ট লৈতবা শুকয়া য়াদ্রে। মরম অদুনা মসিমসু খূদক্তা হাংবীদুনা লৈঙাক্না মতম মতমগী পীবা কান্নবশিং অদু শোয়দনা লৌবীয়ু হায়খি।

# মীতৈ ময়েকপু ইন্দিয়াগী শেলয়েক্তা হাপ্নবা পুখৎখিবা ৰাফম থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): হন্দক পাঙথোক্লিবা পার্লিয়ামেন্ট বডজেট সেসনদা রাজ্য সভাগী এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হাওসতা মণিপুরী লেঙ্গ্বেজ স্ক্রিপ্ট (মীতৈ/মৈতৈ ময়েক)পু ইন্দিয়ান করেন্সি নোটশিংদা হাপ্পীনবা পুখৎখিববু ওল মণিপুর রিকগনাইজ প্রাইভেট স্কুলস ৰেলফ্যের এসোসিএসন, ইম্ফাল-মণিপুরনা অচুম্বা অমসুং অফবা খোঙথাংনি খন্না মপূং ফানা শৌগৎলি হায়রি।

চেরোল অসিদা, পাক-চাউরবা মালেমসিদা মশাগী ফুরুপকী ওইবা মশাগী ময়েক লৈজবা ফুরুপ মশীং ইয়াম য়ামদে। লোয়ননা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ষ্টেট নিপাল- অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মণিপুর, মেঘালয়া, মিজোরাম, নাগালেণ্ড, ত্রিপুরা অমদি সিক্কিম অসিদসু মশাগী ফুরুপকী ময়েক লৈজবসি শুপ্নত্তগী মণিপুর ষ্টেটখক্তনি। মণিপুরী লেঙ্গ্বেজ স্ক্রিপ্ট অসিগী মমিং মীতৈ/মৈতৈ ময়েক কৌজরবসু, ময়েক অসি মণিপুর ষ্টেটকীনি, মণিপুরী চা খূদিংমক্কীনি, ফুরুপ অসিগী থৰায় হাপ্লিবা মীহুলনি, ফুরুপসিগী সেন্টিমেন্টনি, ফুরুপসিবু হিংহল্লিবা ফুরুপ অসিগী আইদেন্টিটিনি। স্ক্রিপ্ট অসি হৌজিক্তি একাদেমিকেল্লি ওইনসু য়াম্নমক মরু ওইরে, মরমদি হৌজিকমক মণিপুরী লেঙ্গ্বেজ স্ক্রিপ্ট অসি মাষ্টর থাক ফাওবা তম্লে।

লোয়ননা নভোদয়া এন্ট্রান্স এগজাম, সাইনিক স্কুল এন্ট্রান্স এগজাম, য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (য়ু পি এস সী)না লৌবা আই এ এস এগজাম অসিনচিংবা মরু ওইবা এগজাম কয়া মণিপুরী লেঙ্গ্বেজ (মীতৈলোল)না ইরকপা ওইথোকপা য়াবগী লম্বী লৈরকপসিমক ঈরৈচা ঐখোয় পুম্নমক্কী চাউথোকচনিংঙাইনি।

ফুরুপসিগী অসুক মরু ওইখ্রবা স্ক্রিপ্ট অসিবু ইকায়-খুম্নজরিবা ইনিংথৌ সনাজাওবা লৈশেম্বনা এম পি, রাজ্য সভা ওইবতা নত্তনা অশানবা মীৎয়েংগা লোয়ননা একাদেমিক ওইনা ৰাংনা পুখৎপীরকপসিদি সনাগী মথক্তা মণীনা মুক্তা থিনবগুম এসোসিএসননা ৰাংনা লৌজে। লোয়ননা ইনিংথৌনা হাওসতা পুথোপীরম্বখক্তা নত্তনা ওইথোকপা য়াগদবা মরমশিং থিবিদুনা শুংশোয় শোয়দনা মায় পাক্লবা চঙশিনবীরক্কনি হায়বসি এসোসিএসন অসিগী অচেৎপা থাজবনি হায়রি।

মণিপুরগী ঈরৈচা কয়ানা স্ক্রিপ্ট অসিবু মালেমগী থাক্তা পুখৎনিংবগী অপাম্বা লোয়ননা স্ক্রিপ্ট অসিবু ইন্দিয়ান করেন্সি নোটশিংদা হাপ্পিংবগী অপাম্বসি সেন্টরনসু খঙবীবগা লোয়ননা য়াম্না লূম্না লৌফম থোকই। মরু ওইনা পঞ্জনিংবা অমনা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন্দা ওগষ্ট ২০, ১৯৯২দা মণিপুরী লেঙ্গ্বেজ (মীতৈলোল)গা পূন্না নিপালশুবা সেদ্যুলদা চৎমিন্নখিবা কোনকানি অনাসুং নেপালি লোল অনীসিবুনা ইন্দিয়ান করেন্সি নোটশিংদা য়াওহল্লগা মণিপুরী লেঙ্গ্বেজ (মীতৈলোল) অসিবুনা নাথৈদুনা থন্বীরম্বা মীচঙ মীখাই নাইবা মানবা, ফুরুপ অসিবু মীরাইবা মানবা থৌওং কয়া অসিবু কোক্লনবা মণিপুরীলেঙ্গ্বেজ স্ক্রিপ্ট অসি ইন্দিয়ান করেন্সি নোটশিংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অথুবদা হাপ্পীফম থোকই হায়না এসোসিএসনসনা খল্লি হায়রি।

# এম এল এ লোকেশ্বরদগী শেল লৌরগা কেস লোইশিনখ্রে হায়বা অরানবা ৰাফমনি : মুহিন্দ্রো

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, থোকচোম লোকেশ্বরদগী শেল লৌদুনা মহাক্কী মথক্তা চৎথখিবা কেস লোয়শিনখ্রে হায়না খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীয়াম্না ঙাঙনরক্লিবা ৰাফম অসি অরানবা ৰাফমনি হায়না এ সী অসিগী কুমজা ২০১৭গী মীখলদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা থাংজম মুহিন্দ্রোনা মহাক্কী ময়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা কুমজা ২০১৭তা খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুসন অসিগী বি জে পিগী মীরেপ অমা ওইদুনা হৌজিক-হৌজিক এ সী অসিগী এম এল এ ওইরিবা থোকচোম লোকেশ্বরগা মতম অদুদা লাম্বা পাখিবনি। মহাক মীখল অদুদা সেকেন্দ তাহৌখি। মীখল অদুগী নোমিনেসন ফাইল তৌবদা লোকেশ্বরগী মরমদা অরানবা খরা য়াওরে হায়না চিংনবা লৈবদগী রির্টনিং ওফিসরদা কমপ্লেন তৌখিবনি। রির্টনিং ওফিসরনা হায়বিরকপদগী হায়কোর্টতা আপিল তৌদুনা কেস অমা থাঙ্গৎখি। শাংলবা চহী অহুম কেস থেংনদুনা লাকখি। অদুবু লাইবক থিবদগী হায়কোর্টনা কেস অদু দিসপোজ তৌরে হায়বগী ওর্দর অমা থোক্লকখি। হায়কোর্টনা থোক্লকখিবা ওর্দর অদু ইশানা পেন্দবা অমদি নুংঙাইতবা মরম্না সুপ্রিম কোর্টতা অমুক আপিল চৎখিবনি। সুপ্রিম কোর্টনা কেস অসি অমুক হন্না লৌখৎপীদুনা নোটিস ইস্যু তৌবিরকখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টতা অমুক হন্না আপিল চৎখিবগী মরম্না হায়কোর্টতা চৎথরিবা কেস অদু লোয়শিনগদবগী তাঙ্কক য়ৌরকপদগী ইস্যু ফ্রেম তৌদুনা মাগী-মাগী ইভিদেন্স পুথোক্নরো হায়দুনা ইভিদেন্সশিং পীখৎখি। অদুবু ইভিদেন্স পীখৎখ্রবা মতুংদা ইভিদেন্সশিংগী ৰা লৌদনা কেস লোয়শিনখিবনি। মরম অদুনা কেস অসিগী মতাংদা য়াম্না পেন্দবা মরম্না কেস অসি অমুক হন্না সুপ্রিম কোর্টতা আপিল তৌখিবনি। অদুবু সুপ্রিম কোর্টনা কেস অসি লৌখৎতুনা কেস মখা চৎথনবা অয়াবা পীরকখ্রবা তাঞ্জা অসিদা লাইবক থীবদি এ সী অসিগী মীওই খরনা হৌজিক-হৌজিক এম এল এ ওইরিবা থোকচোম লোকেশ্বরদগী শেল লৌরগা মহাক্কী মথক্তা চৎথখিবা কেস অদু লোয়শিনখ্রে হায়না ঙাঙনরক্লিবা অসি য়াম্নমক লাইবক থিবানি। মীখলদা লম্বা পানরিবা মীওই অমদগী মতৌ করম্না শেল লৌগদৌরিবনো? মীয়ামগীদমক থৌগল তৌগে হায়না ভোট লেপ্লিবা মীওই অমদা অসিগুম্বা লান্না মীওইবগী মিংচৎ থিগদবা অরানবা ৰাফমশিং অসি শন্দোকপীগনু হায়না আপিল তৌখি।

অথুবা মতমদা সুপ্রিম কোর্টনা কেস অসিগী মতাংদা অচুম্বা ৰায়েল অদুসু পীরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীয়াম্না লান্না শনে দাক্লিবা ৰাফম অসি থাজফম থোক্তে। কেস অসিগী মতাংদা অচুম্বা ৰায়েল সুপ্রিম কোর্টনা শোয়দনা পীরক্লগনি। মরম অদুনা মীয়াম্না সুপ্রিম কোর্টকী অচুম্বা ৰায়েলসু ঙাইমিন্নখিসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# যশৰন্তদা এৱার্দ পীরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): চহী খূদিংগী সাহিত্য থৌপাং লুপ (শাথৌ লুপ)না পীবা খুম্বোংময়ুম গৌরহরি মধুমতি মাদর লেংগ্বেজ এৱার্দ-২০২১গী ওইনা মণিপুরগী লেংগ্বেজ এক্টিভিটিষ্ট চুংখাম যশৰন্তদা পীরগনি হায়রি।

ফেব্রুৱারী ২১দা ইন্টরনেসনল মাদর লেংগ্বেজ ডেগা মরী লৈননা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্কদবা প্রোগ্রাম অমদা এৱার্দ অসি খূৎশিন্নগনি।

থৌরমসিগা মরী লৈননা মীতৈ ময়েক অমসুং বঙ্গালি ময়েক য়াওবা ইংলিশ-মণিপুরী দিক্সনারি অমসু ফোঙগনি। লোয়ননা হৌজিক ওইরিবা মণিপুরী লোলগী ফিভমদসু খন্ন-নৈনগনি হায়রি।




HL-P/8727/31/1-5/4 (alt)





HL-B/6701/20-22/3



## / CONDOLENCE



ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা য়ারলপাৎ শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা Directorate of Environment and Climate Change, Government of Manipur গী Director ওইবীরম্বা Dr. M. Homeshwor Singh না হৌখিবা তাং ১০/০২/২০২১ ইং য়ুমশকৈশা নুমীৎতা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসি মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অচৌবা মাঙজবা অমনি। মহাক্কী আত্মা শান্তিনা নুংঙাইনা ঈংন-চিক্না লৈরুনবগীদমক সোসাইটিগী ওফিসতা মীফম অমা তাং ১৩/০২/২০২১ ইংদা ফমদুনা মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্পুনা অৰাবা ফোঙদোকখি অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনুংগী অৰাবদসু শরুক য়াজরি।

Sd/- **T. Janaki Singh**
Secretary, Yaralpat Integrated Farming Co-operative Society Ltd. Yaralpat Top Dusara, Imphal East
HL-P/8993/20

## BEFORE OATH COMMISSIONER, MANIPUR AT IMPHAL AFFIDAVIT (NAME CHANGE)

**I, Darmoi Hongsha Maring,** date of birth 23rd October, 1982, W/o Hongsha Pungshon Maring, resident of Khangshim Village, Chandel District, P.O. Kakching 795103, P.S. Machi, Manipur, do hereby take oath and solemnly affirm as follows :-

1. That, I am a bonafide law abiding citizen of India, having a permanent residence at the above mentioned place. This is true to best of my knowledge.

2. That, I have changed my name from **Darmoi Saka Maring to Darmoi Hongsha Maring,** W/o Hongsha Pungshon maring as recorded in my Aadhaar Card bearing No. 342346138783 issued by the Unique Identification Authority of India. This is true to best of my knowledge.

Verified that the contents of the above paragraphs No. 1 and 2 of this affidavit are all true to the best of my knowledge and I swear this affidavit on this 13th day of February, 2021 at Imphal.

HL-P/8988/20
Signature of the Deponent
**Darmoi Hongsha Maring**

Th. Pramotkumar Singh
Oath Commissioner (Judicial)
Imphal West, Manipur
Regd. No. 434 of 2020

## / JOB VACANCIES

| | Name of the post | Qualification | Age | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Receptionist | XII & Graduate with Computer Knowledge | | 6,000/7,000 above |
| 2 | House Keeping | VIII pass | | 6,000 & above |
| 3 | Lab. Tech. X-Ray Tech. | Experience & Fresher | | 6,000 |
| 4 | Staff nurse | GNM, BSc nursing, MSc nursing, Experience & Fresher | | Negotiable |
| 5 | Driver | VIII pass | | 6,000 |
| 6 | Security Guard | VIII & X pass | 20yrs & above | 7,000 & above |
| 7 | Security Supervisor | Ex-serviceman | 30 upto 50 yrs | 12,000 & above |

*For more details please contact :*
Phone no. : **8729922686**
**8787700287**
Office hour : 9.30 a.m. to 4 p.m.
Sagolband Salam Leikai, Imphal- 795001.
**Last date of form submission : 6-3-21**
**Date of Interview : 8-3-21**
HL-P/4541/12/2-2/3 (alt)

## / CERTIFICATE LOST

I have lost my original Certificate of Higher Secondary Examination, 2007 bearing Roll No. 6438, issued by COHSEM on the way between Mongsangei and Paona Bazar on 10th February, 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Kshetrimayum Ichal Devi**
Mongsangei Boroi Makhong
HL-P/8994/20

## / PENSION BOOK LOST

One Pension book bearing the no. SM/7254 in the name of Late Laishram Naran Singh has been lost on the way between Bishnupur to Imphal on 30/12/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Laishram Johnson Singh**
S/o. Late Laishram Naran Singh
HL-P/8965/12,13,20

## / ইঙ্খোল অমা য়োঞ্জরি

অথুবগী ওইনা কৈশামথোং এরিয়াদা .০১৩৫০ হেক্টর চাউবা ইঙ্খোল অমা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীবা মীওইশিংনা পীজরিবা নম্বর অসিদা পাউ পীবীরকউ।

HL-P/9001/20
**Contact : 8257942678**

## / CHANGE OF NAME

I, Sri. Shekar. M S/o. Sri. K. Mani aged 35 years, residing at No. 7, 13th Cross, 3rd 'A' Main Road, Cholurpalya, Magadi Road, Bangalore- 560 023 presently working at HQ IGAR (S), Mantripukhri have changed my daughter's name from **RUDRAPRIYA.S** to **REENA.S** and her DOB is 27-01-2019 vide affidavit dated 05-02-2020 Sworn before Notary H.S. SAKALESH ARADHYA, Bangalore- 560 040.
HL-P/9007/20

## / DOCUMENT LOST

I have lost my documents of Bullet, bearing chassis no- ME3U3S5CIHM552872 and Engine no - 43S5CIHM-629778 on the way between Porompat AAA Lampak and Chingmeirong Sangakpham, on 19th February 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Sarangthem Ibomcha Singh**
Waheng Khuman Mamang Leikai
Bishnupur District, # 8787596923
HL-P/9009/20

## / থবক কৌজরি

মশাগী চহী 18 দগী 50 ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা অমদি নুপীশিংনা মখাদা পীজরিবা Post শিং অসি অথুবগী ওইনা apply তৌবীবা য়াগনি অমদি মশাগী Aadhaar Card, Photo Passport অনী, Stamp size অনী অমসুং Qualification Certificate পুবীরক্তুনা। থবকশিং অদুদি- Security (M/F), Warden (M/F), Helper (F), Cook (M/F), Chowkidar (M) অমসুং Gunman (M) অসিনি। থবকশিং অসি অথুবগী লৌজবনি ফম অহাঙবা লৈবগী অমদি Gunman গীদি Salary Rs. 10,000/- দগী হৌজগনি।

Contact No. - # 9612445120, # 7629835413
Office Hour :- 10.00 am to 15.00 hr's.

**Sd/- Managing Director**
**Social Security Guard (SSG)**
Uripok Laikhurembi
HL-P/8991/20

## 3 (Three) MONTHS KI CONTRACT TA STAFF KHARA PAMJEI

1. Driver 2 nos salary Rs. 15,000/-
2. Event Management Team 5 nos. salary Rs. 12,000/-
3. Decoration Staff (Phijang & Light) 5 nos. salary Rs. 20,000/-
4. Dukan Staff 5 nos. salary Rs. 10,000/-

*Please Contact :*
**S.B. Enterprises**
Moirangkhom Bazar, # 7085794463
HL-P/8977/13,20